[illegible]





[illegible]



[illegible]



[illegible]



[illegible]



[illegible]

## ঙসিগী রাষি ফল (১২–১০–২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হোৎনজমন কান্নবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম খরা ফগৎপা, মিংচৎ হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃষঃ** পূক্লিং নুংঙাইবা, থৌরম মায় পাকপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা ওইরগনি। চথোক চৎশিন্দা হেন্না কান্নবা পীরগনি। মতেং পীবিবা য়াম্বা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মিথুনঃ** চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনজরগনি। লমলানবশিং, ইথক থোংবশিংনদি চানবিরগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

**কর্কটঃ** হৈ শিংনা চেকশিন্না হোৎনজরগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। শাগৈনা য়েংথিগনি। লমলানবশিংনদি চানবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**সিংহঃ** ৱা ঙাংবদা, মী তিন্নবদা হৈ শিংদ্রবদি তোখাই তাগনি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। নুংশিবশিংনদি চানবিরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চঙলোই।

**কন্যাঃ** থবক থৌরমদা অফবা ফল ফংবা, মিংচৎ হেনগৎপা, মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, শাগৈনা চানবিবা, ইমুংদা ইংনা লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**তুলাঃ** হোৎনজরুবা অয়াম্বা মায় পাকচবা, মিংচৎ হেনগৎপা, মীনা চানবিবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা, চথোক চৎশিন্দা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চেকশিন্না হোৎনজগনি। থবক্তি পাঙথোক্লগনি। শেল পীথোক পীশিন্দা হৈ শিংগনি। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**ধনুঃ** অরুবা থৌরম পাঙথোকপা, চাংয়েংনবদা মায় পাকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, চথোক চৎশিন্দা হৈ শিংবা তাবনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৱাখলদি লাঙগনি।

**মকরঃ** চেকশিন্না হৈ শিংনা হোৎনজগনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। কুইনদগী খঞ্জরকপা মায় পাক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল মান্নরোই।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**কুম্ভঃ** ৱাখল লুশিন্না খনগনগনি। থবক্তি পাঙথোক্লগনি। চথোক চৎশিন্দা চেকশিনগনি। পোৎ লৈবদি য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – পূক্লিং চঙলোই।

**মীনঃ** পূক্লিং চঙনা হোৎনজবতনা অফবা ওইরগনি। শাগৈনা তিন্নবশিংনা নুংশিবিরগনি। চথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।


[illegible]/VENDOR CARD LOST

I have lost my Women Vendor card of issued by the Imphal Municipal corporation bearing Shed no. 4, Seat no. 24 and Licence No. 528.

Finders are requested to hand over the same to the undersigned

Sd/-
Laimayum Lata Devi
W/o. L. Momo Sharma
Khoyathong Polem Leikai
Imphal West

SL/Sush/12


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Evil Sana Suduku-1105**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | | 2 | 6 | | | 1 |
| | 6 | 9 | | | 3 | 2 | | |
| | 4 | | 1 | | 8 | | | 9 |
| | | 1 | 4 | | | 7 | | 6 |
| 6 | 2 | | | 1 | | | 3 | |
| 9 | 8 | | | 3 | | | | 2 |
| | 1 | | | 6 | | | 2 | |
| 4 | | 2 | 8 | | | 6 | 1 | |
| | 3 | | | 9 | | | 8 | |

সনা–সুদোকু–১১০৫গী সোল্যুসন লমাই ৭তা

*মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬ :*

# ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর পুলিসনা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ১৬না শরুক যাদুনা নোক আউট বেসিসতা চথরিবা মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি (সি এফ এ) মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেলগী লম্বা ঙায়দুনা লৈখিবগা লোয়ননা এফ সি রেঙদাইনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্টগী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচতা এফ সি রেঙদাই নোনেনা ট্রাউ এফ সি ক্বাকৈথেলবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

মেটচ অসি টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নরক্তুনা গোল ওন্থোকপা য়াবগী তাঞ্জাশিং ফংনরবসু গোল চনবা ঙম্নদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ০–০দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদি এফ সি রেঙদাইনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরক্তুনা ট্রাউ এফ সিগী শান্নরোইশিংদা হেন্না প্রেসর পীশিনবা ঙমখি। মসিগী মহয় ওইনা মেটচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ২১ কামৈ লাঙানসুংনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

গোল শোথরিবা ট্রাউ এফ সিনা হন্দোক্নবা হোৎন্দুনা শান্নরকখ্রবসু এফ সি রেঙদাইগী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহনখি। অমরোমদা রেঙদাইনসু মখোয়গী অহেনবা গোল হাপচিনবা হোৎন্দুনা শান্নরক্তুনা মেটচকী ৮৬শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংখিবা কামৈনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০দা মাঙজিল থাহন্দুনা মায় পাক্লবগী য়ুম্ফম থোনবা ঙমখি। অমদি মেটচকী অরোয়বা মিনিট ৯০ চৎপদা কামৈগী হেদত্রিক গোল ওইনা চন্দুনা ট্রাউ এফ সিবু গোল ৩–০দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ট্রাউ এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ বুনান্দো মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসি আর কে অঙৌসনানা রেফরি, এল রোজিৎনা এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এসঐচ রোবিন্সননা এসিস্টেন্ট রেফরি তু অমদি ভাদিংথোইনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

নুংথিলদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি (সি এফ এ)না এস এস য়ুবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল তম্না পুশিনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সি এফ এনা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকপগী মহয় ওইনা মেটচকী অঙনবা মিনিট ৪ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২৪ কেএসঐচ লঙন্বানা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০দা মাঙজিল থাহনখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা সি এফ এনা খুদুম চন্দুনা শান্নখিবনা এস এস য়ুগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরিঙৈদা সি এফ এগী জর্সি নম্বর ৭ নিংরৈসো কসারনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০দা মাঙজিল থাহনখি। এস এস য়ুগী শান্নরোইশিংনা খুৎ হনবগী খুদোংচাবা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী অরেম্বা তাহন্দুনা অহানবা হাল্ফ অসি লোয়বা ফাওবা ০–২দা শোত্থনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদদি এস এস য়ুগী মখোয়গী অশোয়বশিং মেনখৎতুনা শান্নরক্তুনা এটেক কয়া চথদুনা গোল ওন্থোক্নবা হোৎনবগী মহয় ওইনা মেটচকী ৭৯শুবা মিনিটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ এ ননাওনা গোল অমা চন্দুনা ২–১দা লৈহনবা ঙমখ্রবসু মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা মখোয়গী শোথরিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী সি এফ এগী মখুৎতা মায়থিদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমহৌখিদে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সি এফ এগী জর্সি নম্বর ১০ সিঐচ রীভাল্ডো অমদি এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৩ টিঐচ রিশি, জর্সি নম্বর ৮ কে থোইথোই মৈতৈ অমদি জর্সি নম্বর ৪ এল রোনিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসি য়ুলুং লুংসুনা রেফরি, এল হরিমোহনা এসিস্টেন্ট রেফরি ৱান, এন অমর্জিৎনা এসিস্টেন্ট রেফরি তু অমদি এ শাফবনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

*অস্মিতা খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন ৱেটলিফটিং সিটি লীগ:*

# এন এস এগী টিঐচ লিন্থোইবিনা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা অস্মিতা খেলো ইন্দিয়া ৱুমেন ৱেটলিফটিং সিটি লীগ ২০২৬–২৭গী ঙসি শান্নখিবা কেজি ৩৫গী কাঙলুপ্তা এন এস এগী টিঐচ লিন্থোইবিনা স্নেটচদা কেজি ৪৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৬০ পূন্না কেজি ১০৫ থাংগৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

কেটাগোরি অসিদা থাওগী লেন্সি য়ুম্নামনা স্নেটচতা কেজি ২৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৫৬ তা পূন্না কেজি ৫৬ থাংগৎতুনা সিলভর অদুগা য়ুনিট অসিগী এল লাইজালেম্বীনা স্নেটচা কেজি ২৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ২৫ পূন্না কেজি ৫০ থাংগৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৪৯গী কেটাগোরিদা থাওগী এ বিদ্যালক্সমিনা স্নেটচতা কেজি ৫৬ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৬৫ য়াওনা পূন্না কেজি ১২৫ থাংগৎতুনা গোল্ড, এন এস এগী টিঐচ কলপ্পানা স্নেটচতা কেজি ৩৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৪৮ য়াওনা পূন্না কেজি ৮৩ থাংগৎতুনা সিলভর অমদি থাওগী ৱাই চঙখোনবীনা স্নেটচতা কেজি ২৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৩৪ য়াওনা পূন্না কেজি ৫৯ থাংগৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৫৩গী কেটাগোরিদা থাওগী কে নোমিতানা স্নেটচতা কেজি ৬৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮০ য়াওনা পূন্না কেজি ১৪৫ থাংগৎতুনা গোল্ড, এন এস এগী এনজি সোনিবালানা স্নেটচতা কেজি ৫৪ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৭০ য়াওনা পূন্না কেজি ১২০ থাংগৎতুনা সিলভর অমদি থাওগী ই রোশিতানা স্নেটচতা কেজি ২৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ২৫ য়াওনা পূন্না কেজি ৫০ থাংগৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৬১গী কেটাগোরিদা পি বি পি পি টি সিগী কে পোমশায়ানবী চনুনা স্নেটচতা কেজি ৮২ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০২ য়াওনা পূন্না কেজি ১৮৪ থাংগৎতুনা গোল্ড, নিসাগী অলভিনানা স্নেটচতা কেজি ৫৬ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৭৫ য়াওনা পূন্না কেজি ১৩১ থাংগৎতুনা সিলভর অমদি এন এস য়ুগী এ দেবারবিনা চনুনা স্নেটচতা কেজি ৫৩ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৬৩ য়াওনা পূন্না কেজি ১১৬ থাংগৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৬৯গী কেটাগোরিদা এন এস কেগী এনজি বাল্লেরিনানা স্নেটচতা কেজি ৭৭ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯৫ য়াওনা পূন্না কেজি ১৭২ থাংগৎতুনা গোল্ড, পি বি বি পি টি সিগী এল দাইজি চনুনা স্নেটচতা কেজি ৫০ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৬৫ য়াওনা পূন্না কেজি ১১৫ থাংগৎতুনা সিলভর অমদি য়ুনিট অসিগী জি সোনালিয়ানা স্নেটচতা কেজি ২৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৩০ য়াওনা পূন্না কেজি ৫৫ থাংগৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৭৭গী কেটাগোরিদা এন এস য়ুগী ওলিভিয়া হুইদ্রোমনা স্নেটচতা কেজি ৭৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯৪ য়াওনা পূন্না কেজি ১৬৯ থাংগৎতুনা গোল্ড, নিসাগী এস চাউবা চনুনা স্নেটচতা কেজি ৭৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯০ য়াওনা পূন্না কেজি ১৬৫ থাংগৎতুনা সিলভর অমদি পি বি বি পি টি সিগী ঐচ থোইবিনাও চনুনা স্নেটচতা কেজি ৭০ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৯০ য়াওনা পূন্না কেজি ১৬০ থাংগৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেজি ৮৬কী কেটাগোরিদা নিসাগী এল জেরিনানা স্নেটচতা কেজি ৬৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮৫ য়াওনা পূন্না কেজি ১৫১ থাংগৎতুনা গোল্ড অমসুং পি বি বি পি টি সিগী টি জেসিকানা স্নেটচতা কেজি ৪৯ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৬০ য়াওনা পূন্না কেজি ১০৯ থাংগৎতুনা সিলভর মেদল লৌখি।

## ষ্টেটকী বাস্কেটবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মহারাষ্ট্রা ষ্টেট বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৭তগী মহারাষ্ট্রাগী পুনেদা ৪১শুবা য়ুথ নেসনেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ান্নবা ষ্টেটকী নুপামচা বাস্কেটবোল টিম শেমখ্রে।

ষ্টেটকী নুপামচা বাস্কেটবোল টিমদা শরুক য়ারিবশিং অদুদি ই এস য়ুদগী অচোম প্রিন্স, চিঙ্খোঙানবা মাইবম অমসুং সাতিশ ক্ষেত্রিময়ুমনি।

এল এম ৱাই ভি এদগী এন্দরসন কৈথেল্লাকপম, শাতিশ অহন্থেম অমসুং মালেমসন লোংজমনি। মোদেল ক্লবতগী থোকচোম গিসন অমসুং থিঙোম সোতিন্দ্রাচাননি।

য়ুঠ ক্লবতগী লাইশ্রম ইরাবন্ত, সি ৱাই এল সিদগী রাজকুমার অশিস, ৱাই দব্লিউ সিদগী কাংজম চৌরাজিৎ অমদি য়ুনাক্কোদগী লোংজম বেরোন সিংহনি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অসি ত্রেন্নিং অমসুং কোচিংগীদমক থা অসিগী ১২তা ব্রাহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা অয়ুক পুং ৬.৩০ অমদি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা লাক্তুনা হেদ কোচ টি নিলামিণ, কোচ এন জেক্সন, এল বেনিশতা রিপোর্ট তৌরনবা মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সিঐচ তেজকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা হয়েংদগী পোলো গ্রাউন্দদা ৩৯শুবা এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৫দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু নোং–চীংগী ফিভমনা মখা তাবা নোটিশ থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি টিম ৩৬না পুল–৩ থোক্না খায়দোক্লগা অথোয় অহেন তান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি থাংমৈবন্দ পি সি (এ), অৱাং কৌব্রু, ক্রিপ্সা, থৌবাল পি সি, এম পি এস সি (বি), য়ু পি সি (বি), ইবুথৌ মার্জিং, অসাম রাইফল (বি), কে এন্দ এম এম রাইদিং (এ), কংলৈপাক পি সি, এম পি এস সি (সি), লুৱাংপোকপা (বি), ন্যু ভিজন, তেকচম পি সি, খুরাই পি সি, লোয়ালাকপা (বি), ইবুথৌ থাংজিং (এ), এক্স পোলো ক্লব, লৱাংপোকপা (এ), ই এস সি, কে এন্দ এম এম রাইদিং (বি), য়ু পি সি (এ), লময়ানবা পাখং, লমন পি সি, থাংমৈবন্দ পি সি (বি), কৈবি উচোন, চিঙ্খৈহুনবা পি সি, নোংপোক অপূনবা, লোয়ালাকপা (এ), নম্বুল মপাল, ইবুথৌ থাংজি (বি), এম পি এস সি (এ), পেরাদাইস, কোরিফাবা, ইকোপ নিংথৌ অমসুং অসাম রাইফল (এ) নি।

হয়েং ওপনিং মেটচ ওইনা অসাম রাইফল (বি) অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং (এ)না শান্নরগনি।

এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টগী ফিক্সচর




## মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর মাষ্টরস এঠলেটিক এসোসিয়েসন (এম এম এ এ)গী জোইন্ট সেক্রেটরী ওইবিরম্বা অথোকপম অজয়কুমারনা ইখঙ খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা এসোসিয়েসন অসিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অজয়কুমার হৌখিবা থা অসিগী ৬তা বেঙ্গলোরদা এসিয়ান স্বীমিং চেম্পিয়ন্সিপ য়াওবা চৎপদা খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদবদা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বর অমদি শান্নরোইশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লৈপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী মফমদা ইংনা চীক্না লৈরুনবা থৌনিজখিবগা লোয়ননা লৈখিদবগী ইমুং মনুংনা নঙহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না মণিপুর মাষ্টরস এঠলেটিক এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এল য়াইমচৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ৩শুবা মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়ান বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন মণিপুর য়ুনিট (আই বি বি এফ) এম য়ুনা শীন্দুনা নবেম্বর ৬ অমসুং ৮দা ৩শুবা মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং মেন এন্দ ৱুমেন বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক ওদিতোরিয়ম হোলদা পাঙথোক্লগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা নুপাগী কেটাগোরিশিং অদুদি জুনিয়র, সেনিয়র, মাষ্টর, ক্লাসিক বোদি বিল্ডিং, মেন ফিজিক অমদি ১৭৫ সেন্তিমিটর মথক মিষ্টর কৌব্রু চীংশাং ২০২৬তা অথোয় অহেন তান্নগনি।

নুপীগী কেটাগোরিদনা ৱুমেন বোদি ফিটনেস, বোদি ফিট মোদেলদা অথোয় অহেন তান্নগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৱেটইননা নবেম্বর ৬তা পাঙথোক্লগা নবেম্বর ৮তা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর কৌব্রু অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ষ্টেট এসোসিয়েসনশিং অমসুং বোদি বিল্ড্রিশিংনা শরুক য়াদুনা মপুং ফাহনবা খঙহলকপগা লোয়ননা হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক ৯৬১২৩৪৬৩৩২ নত্রগা ৯৭৪৯১১৩১৮৬ নত্রগা ৯৭৭৪৭৯১৮২৪ নত্রগা ৯৮৬২০৩৮৭৪৫তকী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# অহানবা অন্দর–১৩ বোইজ ব্লু কবস লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

মমাঙ থা ৩০দগী দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি এফ এ) মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপরপস হায়র সেকেন্দরী স্কুল গ্রাউন্দদা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চথরকপা অহানবা অন্দর–১৩ বোইজ ব্লু কবস ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা অন্দর–১৩ বোইজ ব্লু কবসকী ফাইনেল অদুদা রেদিয়ান্ত পব্লিক স্কুল ক্বাক্তানা আই এম সি সি ইথাইবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

রেদিয়ান্ত পব্লিক স্কুলগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ অল্টাফনা মেটচকী ৪৮শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট লোয়শিনবগী থৌরমদা মোইরাং এ সিগী সোসিয়েল ৱার্কর ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এমদি য়ুনুস খান, রেদিয়ান্ত পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল এমদি জুন্নেট, দি এফ এ মোইরাংগী প্রসিদেন্ট কে বিরেন্দ্র অমসুং কুম্বিগী সোসিয়েল ৱার্কর করাম সোমোকান্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

## ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা বোল বেদমিন্টন শান্নরোইশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

অন্দ্র প্রদেশকী তিরুপতিদা মমাঙ থা ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭২শুবা সেনিয়র নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা নুপা অমসুং নুপী বোল বেদমিন্টন শান্নরোইশিং তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিটকী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখিবা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অদুদা বোল বেদমিন্টন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম তোম্বা, বোল বেদমিন্টন এসোসিয়েসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. লাইফ্রাকপম কুমার, খুরাই এ সিগী সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট হাওরুংবম অসিরজিৎ, খুন্দ্রাকপম এ সিগী সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট লাইশ্রম সৈত্যবত্তনা মথং শীৎনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুবা বোল বেদমিন্ট নুপা শান্নরোই ১০ অমসুং নুপী শান্নরোই ১০ অমদি ওফিসিয়েল ৪দা সার্টিফিকেটশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

## সমাগ্রা শিক্ষানা শীন্দুনা নুপীমচাশিংগী ওইবা ফন রন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ ঙসি মালেমগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ ইন্টরনেসনেল দে ওফ দি গালর্স চাইল্ডগা মরী লৈন্না সমাগ্রা শিক্ষা (ইলিমেন্তরি) মণিপুরনা শীন্দুনা নুপীমচাশিংগী ওইবা ফন রন পাঙথোকখ্রে।

"রন ফোর ফ্যুচর, ইদুকেট, ইমপৱার, ইনস্পিয়র" হায়বা থিমদা লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা ক্লাস ৬তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কিলোমিটর ৩গী রন অদুদা বাবুপরাদা লৈবা সমাগ্রা শিক্ষাগী ওফিসতগী লমথারগা য়ুম্নাম লৈকাই লাইরেম্বী মপাদগী হল্লক্লবা লমথাখিবা সমাগ্রা শিক্ষাগী ওফিতা লমথুংফম ওইখি।

রন অদুনা পূন্না নুপীমচা ৪১৫না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈন্না সমাগ্রা শিক্ষা মণিপুরগী এদ্দিসনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট ডাইরেক্টর অঞ্জালি চোংথামনা ফোঙদোকখিবদা নুপামচাশিংদগী নুপীমচাশিংনা তাদে, নুপামচাশিংনা তৌবা ঙম্বা খুদিংমক নুপীমচা ওইবীশিংনসু তৌবা ঙম্মী হায়বগী পাউজেল পীবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মানা–মানা পামজবা লম্বীদা নুপীমচাশিংবু পুক্নিং থৌগৎপিপা অমদি মখোং শোন্থিরবদি চাউনা মায় পাকপা ঙমগনি।

ঙসিগী থৌরম অসিগী মনুং চন্না শান্ন–খোৎনবা, কালা অমদি মহয় মশিংগী লমদা লমদম অসিগী মশক নাইবা নুপী ওইবিশিংসু শরুক য়ারদুনা নুপাগুম্না নুপীসু হিরম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙম্মী হায়বা অদু পীক্লিবা মহৈরোয়শিং অসিদা খঙহনবনি। মমা–মপা ওইবশিংনসু মচা নুপী পোকপগী পুক্নিং শোন্থাবা তৌবিগনু, খুন্নাই অসিবু মমায় চুম্বদা নুপীশিংসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এস পি স্পোর্টস লাইশ্রম সারিতা, অর্জুনা এৱার্দি ৱেটলিফটর ঙাংবম সোনিয়া, অজুর্ননা এৱাদি ৱুশু ৱাঙ্খেম সন্ধ্যারানি, অজুর্ননা এৱার্দি নাওরেম রোশিবিনা, মণিপুর পুলিসকী ৱুশু কোচ লৈমাপোকপম সনাতোন্বী অমদি টুরিজমগী এদ্দিসনেল ডাইরেক্টর সলাম পদ্মাপতিসু শরুক য়াখি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ ঙসিদগী শান্নবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীটিগী মীৎয়েং মখাদা নাওরেম বিরহারি কোলেজ খুন্দ্রাকপনা য়ুম্বু ওইদুনা চোংথাম ওংবী রাজকুমারী তম্ফাসনা মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭ হয়েংদগী থা অসিগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সিঐচ প্রাদিপ সিংহনা চীফ গেষ্ট, নাওরেম বিরাহারি কোলেজ খুন্দ্রাকপমগী প্রিন্সিপাল ডা. ইরোম কুঞ্জাবাতিনা প্রসিদেন্ট অমসুং কোলেজ অসিগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওফ ফিসিকেল ইদুকেসন উশম নিলাচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা নুপাগী টিমশিং অদুদি পোল ষ্টার কোলেজ, রোয়েল একাদমি ওফ লো, মোইরাং কোলেজ, থম্বাল মরিক কোলেজ, মোর্দন কোলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, খা মণিপুর কোলেজ, ৱাই কে কোলেজ, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, এন বিরাহরি কোলেজ, ইম্ফাল কোলেজ, মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি), লিবরেল কোলেজ, বিরামঙ্গোল কোলেজ, কমাখ্যা পেমতোন কোলেজনি।

নুপীগীদনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, কামখ্যা পোমতোন কোলেজ অমসুং ইম্ফাল কোলেজনি।

হয়েং ওপনিং মেটচ ওইনা পোল ষ্টার কোলেজ অমসুং রোয়েল একাদি ওফ লোনা শান্নদুনা হৌদোক্লগনি।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ বেদমিন্টন (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্টগী ফিক্সচর




## ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন (এম এ টি এ)গী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী ১৭তগী ২০ ফাওবা ৪৪শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি হায়না এম এ টি এগী সেক্রেটরী এল প্রকাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি অমসুং ইভেন্ট ৫দা অথোয় অহেন তান্নগনি। মেন'স ওপন কেটাগোরিগী সিঙ্গলস অমদি দবলসগী ওইনা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ থাংমৈবন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা থাউ টেন্নিস কোর্টতা, সেয়োগী টেন্নিস কোর্টতনা সেয়ো শিংজমৈনা য়ুম্বু ওইদুনা চহী ৩৫ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলসকী অমদি দবলসকী কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্কদৌরি।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা আই দি টি এ টেন্নিস কোর্টতনা চহী ৪৫ মথক্কী মেন'স সিঙ্গলস, দবলস অমদি চহী ৫৫ মথক্তা লৈবা অমদি চহী ৭০ মথক্কী নুপাশিংগী দবলস ইভেন্টশিং পাঙথোক্কদৌরি।

## ষ্টেটকী ফেন্সর অহুম তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১, (এস এন এস)ঃ

জপানগী আইচি নাগোয়াদা পাঙথোকখিবা মমাঙ থা সেপ্টেম্বর ১৯দগী থা অসিগী ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২০শুবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা শরুক য়ারুবা ষ্টেটকী ফেন্সর ৩ ঙসি মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ফেন্সিং হোলদা তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসননা তরাম্না ওকখ্রবা ষ্টেটকী ফেন্সর অহুম অদুদি মিনা, হেমাস অমসসুং সোনিয়ানি।

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com